## গ্লোবেল থ্রেট অমনি

এন্টানানারিভো, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) : লৈবাক কয়াদা উমংৱামংশিং থুনা কোকহনবগা লোয়ননা বাইওদাইভরসিটি হন্থরক্লিবসিনা মালেম পুম্বদা অকিবা পোকহনবনা মসি লোকেল ইশ্যুশিং ওইনা খন্নরোইদবনি হায়না থাংজ নুমিত্তা পোপ ফ্রান্সিসনা ফোঙদোকখ্রে। ফ্রান্সিসনা ৱাফম অসি হৌখিবা চহী ৬০ রোম অসিদা অপুনবা উমংগী লমগী চাদা ৪৪ রোম কোকথোক্তুনা মাঙহনখ্রবা মালেমগী মরিশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইথৎ ওইরিবা মাদাস্করদা চৎপা খোঙচৎ অমদা ফোঙদোকখিবনি।

## চাইনাদা পুক্লিং ফাথনবা তকশিনখ্রে

পেরিস, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) : হোংকোংগী প্রোটেস্টশিংগী মতাংদা য়ারিবমখে পুক্লিং ফাথনবা যু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মাক্স ইস্পরনা থাংজ নুমিত্তা চাইনিজ গর্ভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে। পুলিসনা হোংকোংগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা চৎলিবা মীশিংবু পাসপোর্টশিং অমসুং এয়র টিকেটশিংগীদমক্তা কন্না চেক তৌরিঙৈ চৈরক্তা ইস্পরনা আপিল অসি তৌখিবনি।

## রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন্না প্রিজন্নরশিং থাদোক্লবা হৌখ্রে



মোস্কো, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :

মতম শাংনা ঙাইরক্লবা মতুংদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন্না থাংজ নুমিত্তা অমনা-অমগী প্রিজনরশিং থাদোক্লবা হৌখ্রে। মদু মোস্কোনা চহী ৫ গী মমাংদা ক্রিমিয়া রিজন নমদুনা লৌশিনখিবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনরকখিবগী ফিভম হন্থরকপগী খোঙথাং অমনি হায়না লৌনরি।

প্রিজনরশিং থাদোক্লবগী থৌরাং অসিনা মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা অমগ-অমগা থাজনবা হেনগৎহল্লকপদা মতেং পাংদুনা লৈবাক অনীনা অতৈ ইশ্যু কয়াগী মতাংদা লুনা নিগোসিএসন চথবা য়াহনগদবা ওইরবসু লৈবাক অনীগী মরক্তা মপুং ফানা য়াশিন্নবগী ফিভম অমা লাকহনবা হায়বসি মতম শাংনা চঙগদবা অরুবা থবক অমা ওইগনি হায়রি।

নাকল অনীগী মরক্তা মতম শাংনা নিগোসিএসন চথরকখিবা মতুংদা প্রিজনরশিং শোয়দনা থাদোক্লবা হৌবা য়ারগনি হায়বগী থাজনবা নাকল অনীমক্তা লৈরকখি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনা থৌরাং অসি শোয়দনা থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়না ফোঙদোক্লখিবনি।

থাংজ নুমিত্তা রসিয়ন প্রিজনরশিং পুবা রসিয়ন প্লেন অমা কিভতগী মোস্কোদা পাইরকখিবগা লোয়ননা য়ুক্রেনিয়ন প্রিজনরশিং তোংবা য়ুক্রেনগী প্লেন মোস্কোদগী কিভ পাংখি। কুমজা ২০১৪ দা মোস্কোনা নমদুনা লৌশিনখিবা ক্রিমিয়া রিজন য়ুক্রেন্না অমুক হন্না লৌশিনবা পান্নবসু নাকল অনীগী মরক্তা প্রিজনরশিং এক্সচেঞ্জ তৌনরিবসিমক মায়কৈ খরদগী য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সিকিগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না ফোঙদোক্লরি।

মহাক রসিয়াদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা য়ুক্রেনগী প্রিজনরশিং ময়ুম-ময়ুমদা শোয়দনা পুরক্কনি হায়বগী ৱাশক অমদা চহী অসিদা মীখলদা চাওনা মায় পাকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৩,০০০গী পুন্সি লোমখ্রবা কনফ্লিক্ট অমদা রসিয়ানা শৌগৎপা সেপরেটিষ্টশিংনা হৌজিকসু মখা তানা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্কী পাক চাওরবা মফমশিং কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরি।

কুমজা ২০১৫ দা সীজফায়র অমা খুৎয়েক পীনখিবা লৈন-লৈনা মরক মরক্তা থোক্লিবা হাৎনশুনবগী থৌদোকশিং শোয়দনা লেপহল্লগনি হায়নসু জেলিন্সকিনা মীখল অদুদা য়ুক্রেনগী মীয়ামদা থাজবা পীখিবনি। প্রিজনরশিং থাদোক্লবা হৌবা অসিনা লৈবাক অনীগী মরী মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবগী মরু ওইবা খোঙথাংনি হায়না রসিয়ন প্রসিদেন্ট পুটিন্না হায়খি।

## প্রসিদেন্ট কোবিন্দগী প্লেন পাকিস্তানগী এয়রস্পেস শীজিন্নবা য়ারোই হায়রক্লে



ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দগী এয়রপ্লেন পাকিস্তান এয়রস্পেস ফাওবা য়াহনবিনবা ন্যু দিল্লিনা হায়জিখিবা অমা পাকিস্তান্না থাংজ য়ারক্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

ইন্দিয়ন-ওক্যুপাইদ কাশ্মির (আই ও কে)দা মীপাইনিঙাই ওইবা মওংদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া চথুরি হায়রদুনা ইস্লামাবাদনা ন্যু দিল্লিগী ৱাফম অদু রিজেক্ট তৌখিবনি হায়না পাকিস্তানগী ফোরেন মিনিষ্টর সাহ মেহমোদ কুরেসিনা ফোঙদোকখি।

কুরেসিনা হায়খি মদুদি, হায়জরক্লিবা ৱাফম অদুবু রিজেক্ট তৌবগী ৱারেপ অদু পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না অয়াবা পীরে। ইন্দিয়ানা আই ও কেদা অকন-অরিং শীংবগী থৌওং কয়া চথবনা মরম ওইদুনা পাকিস্তান্না ফিরেপ অসি লৌরকপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হৌখিবা ওগষ্টতা ইমরান খান্না ইন্দিয়াগী প্লেনশিং পাকিস্তানগী এয়রস্পেসতা পাইহন্দনবা খন্নরি হায়না ফোঙদোকখিবনি। খোঙথাং অসিদা নত্তনা পাকিস্তানগী লেন্দ রুটশিং শীজিন্নরগা ইন্দিয়ানা অফঘানিস্তানগা চথুরিবা লল্লোন-ইতিক্কী থবকশিং মপুং ফানা থিংজিন্নবগী খোঙথাং অমসু পাকিস্তানি ওথোরিটিশিংনা খন্নরিবনি।

কুরেসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ন্যু দিল্লিনা কাশ্মিরদা লৈবাক মচা তাদবা থৌওং কয়া চথুরক্লিবসি অরুবা ইশ্যু অমনি। মসি মহাক্না যু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা পুখত্তুনা ৱাকৎলগনি।

ইন্দিয়ান ওথোরিটিশিংনা ওক্যুপাইদ কাশ্মিরগী স্পেসল ওটোনোমি লৌথোক্ত্রিঙৈগী মমাংদগী লমদম অসিদা কার্ফিয়ু থল্লকখিবা নুমিৎ মশিং য়ামশিল্লক্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হৌখিবা ওগষ্ট ৫ দা ন্যু দিল্লিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পেসল ষ্টেট্টস রিভোক তৌখিবনি।

## অফঘান নুপীশিংনা মীখলদা ভোট থাদনবগী ফিরেপ লৌখ্রে



কাবুল, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :

টালিবানগা মান্নবা ফন্দামেন্টালিষ্ট গভর্নমেন্ট অমা হল্লকপা য়াই হায়বগী মীপাইবা পোক্লরবা অফঘানিস্তান্দা লৈবা নুপী কয়ানা কুমজা ২০০১ দা ইস্লামিষ্ট রেজিম অদুবু চিংথুখিবদগী মখোয়না ৱানা ফংলকখিবা রাইটশিং কঞ্জনবগীদমক্তা লাক্লিবা প্রসিদেন্টগী মীখলদা ভোট থাদনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি।

কুমজা ১৯৯৬ তগী হৌনা টালিবান্না অফঘানিস্তান্দা চহী ৫ লৈঙাকখিবা মতমদা অঙাং ওইখিবী মশাগী চহী ২৫ শুরবী মুকাদাসা অহম্মদজাই অসি টালিবান অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) লালহৌবা গ্রুপশিংনা পাক চাওরবা মফমশিং দোমিনেট তৌরিবা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা প্রোভিন্সশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নঙ্গরহরদা নুপীশিংগী য়াইফনবগীদমক্তা থবক তৌরিবা নুপী অমনি।

ঙসিদি অফঘান নুপীশিং ওজাশিং, দোক্তরশিং, পাইলোটশিং ওইরে। মখোয়দা গাড়ি থৌবগী, মীখলদা শরুক য়াবগী রাইটশিং লৈবগা লোয়ননা মখোয়গী সিভিল অমসুং ফন্দামেন্টেল রাইটশিং কন্নবগীদমক্তা তৌফম থোকপা থবক কয়াসু তৌরি হায়না অহমদজাইনা হৌখিবা চহী ১৮ অসিদা লৈরকখিবা প্রোগ্রেসকী মতাংদা শন্দোক্না ফোঙদোক্লদুনা ইফে ন্যুজদা হায়খি।

হায়রিবশিং অসিগী পুমওন ওন্নবদা টালিবান রেজিমগী মখাদা নুপীশিংবু হাৎপিখি, বুর্কা শীজিন্নদবগীদমক্তা মীয়াম মমাংদা চৈ লাং শীজিন্নদুনা ফুখি, স্কুল কাবা থিংখিবগা লোয়ননা মখোয়না হোস্পিটাল কয়া মপুং ফানা মাঙ তাকহনখি। অফঘান নুপীশিংনা হৌজিকসু শীংনবা কয়া থেংনরিবা ওইরবসু হৌজিক ফাওবদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙল্লিবা চাংসি শীংথানিংঙাই ওই মহাক্না ফোঙদোকখি।

## অফঘান পিছ দিলগী মতাংদা পাকিস্তান্দা মীফম পাঙথোক্লগনি



ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :

অফঘানিস্তান্দা মরা তপ্পা ফিভম লাক্লবগী দিল অমগী মতাংদা খন্নবা অফঘান প্রসিদেন্ট অস্রাফ ঘানিনা ৱাশিংটন পাঙনবা হোৎনরকপগা ইরোইননা পাকিস্তান্না পিছ প্রোসেস অমসুং সিক্যুরিটি কোর্পোরেসনগী মতাংদা খন্ননবা চাইনা অমসুং অফঘানিস্তান য়াওগদবা মরু ওইবা ট্রাইলেটরেল মীটিং অমা থৌবু ওইদুনা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি।

পাকিস্তানগী ফোরেন মিনিষ্টর সাহ কুরেসিনা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়ি অমসুং অফঘান ফোরেন মিনিষ্টর সলাহুদ্দিন রব্বানিগী হোষ্ট ওইদুনা মীফম অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি। অমরোমদা, যু এস অমসুং অফগান টালিবানগী মরক্তা থা কয়া চুপ্পা নিগোসিএসন চথুরকখিবা মতুংদা নাকল অনীগী মরক্তা পিছ একোর্দ অমা য়াম্না থুনা খুৎয়েক পীনরগনি হায়বা রিপোর্টশিংগী মরক্তা পাকিস্তান্না থৌবু ওইদুনা লৈবাক অহুমগী ওইবা মীফম অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

প্রসিদেন্ট ঘানিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা মীফম অমা পাঙথোক্লবগীদমক যু এসতা খোঙচৎ অমা চৎকদবা লৈবনা টালিবান অমসুং যু এসকী মরক্তা দিল অমা থুনা পুরক্কদৌরিবদু কাবুল এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওইনদি নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমা ওইরি। যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা সরেন্দর তৌবগা মান্নগনি হায়রদুনা দিল অদুদা খুৎয়েক পীয়ু হায়বা য়াদ্রে হায়বগী রিপোর্ট কয়াসু ফোঙনখিবা লৈখ্রবনি। হৌজিক্কী পিছ প্রোসেস অদুবু খুদোংচাহল্লিবা পাকিস্তান্না চয়েৎনবা ৱাফম অসিগী মতাংদা কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মরু ওইবা প্লেয়র অমা ওইনা লৌনরিনা চাইনানসু কাবুল অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা পিছ দিল অদুদা য়ানদবা ৱাফম খরা লৈরকপা য়াবগী ফিভম উবদগী ৱা ঙাঙদনা লাকখিবনি।

## ‘ইরান্না য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট চাদা ২০ হেন্না ঙম্লগনি’



দুবাই, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :

ইরান্না য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্টগী চাং চাদা ২০ দগী হেন্না ঙম্বগী ফিভম লৈরবসু লৈবাক অসিগী মসিমক তৌনবগী খুদক্কী ওইবা থৌরাংশিং লৈতে হায়রদুনা হৌজিক কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী পৱারশিংগা খুৎয়েক পীনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল কনবা ঙম্লোইদবগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লক্লি হায়না টেহরান্না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

দিল অদুনা ঐখোয়গী রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্টতা থল্লিবা পনখৈগী অথিংবশিং ঐখোয়না লৌথোকচবা হৌখ্রবনি। মদুদা হেন্না খোঙজেল য়াংবা অমসুং এদভান্স ওইরবা সেন্ট্রিফ্যুজশিং পুথোকপা য়াওগনি হায়না ইরানগী ন্যুক্লিয়র এজেন্সিগী স্পোক্সমেন বেহরৌজ কমালভান্দিনা টেলেভাইজ ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

মহাক্না ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, দিল অদুদা য়াওরিবা য়ুরোপিয়ন পার্টিশিংনা হৌজিক মতম ইরৈ লৈত্রে হায়বদি মুন্না খঙগদবনি। করিগুম্বা ন্যুক্লিয়র দিল অদুবু কন্ননবা থবক খরা তৌগে হায়রবসি য়াম্না থুনা তৌগদবনি।

কুমজা ২০১৫গী পেক্ট অদুনা ইরান্দা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোকপগী ফিভমদা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌখি। তৌইগুম্বসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা চহীদা পেক্ট অদুদগী হন্দোকপগা লোয়ননা ইরানগী মথক্তা অহেনবা অথিংবা কয়া ইনৌ নৌনা থমজিনখিবদগী টেহরান অমসুং নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অমা লাকখিবনি।

যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা টেহরানবু নিগোসিএসনগী লম্বীদা নমদুনা অমুক হন্না পুরক্নবগী পান্দমদা অথিংবা কয়া থম্বগা লোয়ননা অঙম্বী থাক্তা প্রেসর পীবগী কেম্প্যেন অমা চথুরকখিবগী পাউখুম ওইনা ইরান্না হৌখিবা মে থাদগী ন্যুক্লিয়র পেক্ট অদুদা পল্লিবা লৈবাক অসিনা ঙাক্কদবা ৱাফমশিং থুগায়বগী থবক হৌখি।

অমরোমদা, ইরান্না করিগুম্বা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা ৱাশিংটনগী অথিংবশিংদগী লৈবাক অসিগী মরু ওইবা শেন্দান লম্বী ওইরিবা থাউ থাদোকপগী থবকশিং কন্নবগী লম্বী অমা পীবা ঙম্লবদি ন্যুক্লিয়র দিলগী কমিন্টমেন্টশিং থুগায়বগী খোঙথাং অসি টেহরান্না হন্দোকপা য়াই হায়রি।

দিল অদুনা ইরান্দা থম্বা য়াহল্লিবা সেন্ট্রিফ্যুজ এনরিচমেন্ট মেছিনশিংগী মশিং কুমজা ২০১৫গী মমাংদা ১৯,০০০ লোম ওইরম্বদগী ৬,০০০ রোমদা হন্থহনখিবনি।

## ওইল টেঙ্কর অদ্রিয়ন দরিয়া ১না সিরিয়াগী টার্টস হিথাংফম মনাক্তা লৈবগী ফোটো লৌখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :

টেহরান অমসুং নোংচুপ্লোমগী পৱারশিংগী মরক্তা উংখৎনবদা চাওনা চেন্নরিবা ইরানগী ওইল টেঙ্কর অদ্রিয়ন দরিয়া ১না সিরিয়াগী হিংথাং টার্টসকী মনাক্তা লৈরিঙৈদা সেটেলাইটনা ফোটো লৌরে হায়না যু এসকী স্পেস টেক্নোলোজি কম্পনি অমা ওইরিবা মাক্সর টেক্নোলোজিজ ইঙ্কনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি ইরানগী ওইল টেঙ্কর অদু চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা সিরিয়াগী ঈশিংগী শরুকশিং য়ৌরমদাইদা ট্রেক্কিং তৌবা ঙমখিদবনি। মাক্সরনা থাদোরকখিবা ইমেজদা অদ্রিয়ন দরিয়া ১ হায়রিবা টেঙ্কর অদু সেপ্তেম্বর ৬তা টার্টসকা য়াম্না নক্লনা লৈবগী শক্তম উখি। ভেসেল অদু সিরিয়াগী নোংচুপ থংবা মেদিটরিনিয়ন সীগী মফম অমদা ট্রান্সপোন্দর মুথৎখিবগী মওং লৈখি হায়বসি রেফিনিটিভ সিপ-ট্রেক্কিং দেতানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা উৎখি।




ইরানগী শুংদোক্ত্রিবা থাউ পুরিবা টেঙ্কর অদুনা থারকখিবা অরোইবা সিগনেলদা মদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা জি এম টি ১৫:৫৩দা সাইপ্রস অমসুং সিরিয়াগী মরক্তা অৱাং পাংনা চৎখি হায়বসি দেতা অদুনা উৎখি। হান্না গ্রেস ৱান কৌরম্বা ভেসেল অদু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী অথিংবশিং খোঙ্গাওনদুনা সিরিয়াদা থাউ পুনবা হোৎনরমখি হায়বগী চিংনবদা য়ুমফম ওইরগা হৌখিবা জুলাই ৪ দা বৃটিশ রোয়েল মরিন কম্মান্দোশিংনা গিব্রাল্টর মনাক্তা ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতুং চয়োল অনী লৈরগা ইরান্না লমন খুম্বা ওইনা বৃটিশকী ফিরাল থেৎপা টেঙ্কর অমা গল্ফতা চঙনবগীদমক ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজদা চৎলিঙৈদা ফাজিনখি। জহাজ অদুদা য়াওরিবা থাউ বেরেল মিলিয়ন ২.১ অদু সিরিয়াদা কৈদৌঙৈদসু পীরোই হায়না টেহরানগী মায়কৈদগী হৌনবী মতুং অইবা চেরোলশিংগী খুৎথাংদা থাজবা পীখিবা মতুংদা গিব্রাল্টরনা ইরানগী জহাজ অদু ওগষ্ট ১৫ দা থাদোকখিবনি।

## ইরাক্তা মিলিটেন্টশিংগী এটেক্তা মীচম য়াওনা ৪ শিরে



মোসুল, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :

ইরাক্তা থাংজ নুমিত্তা মিলিটেন্টশিংনা চথখিবা তোঙান তোঙানবা এটেক অহুমদা য়ামদ্রবদা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মীওই ৩ অমসুং মীচম অমা শিখ্রে হায়না সিক্যুরিটি সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মোসুলগী নোংচুপ্লোমদা লৈবা সিঞ্জর দিষ্ট্রিক্টতা মাইনশিং লৌথোক্লবা হোৎনরিঙৈ মনুংদা য়ুম অমগী মনুংদা বোম অমা পোকখায়রকপদগী লাম্মী ওফিসর ১ গা লাম্মী অমগা শিখি অদুগা অতোপ্পা লাম্মী অমনা অশোক-অপন নংখি।

দিয়ালা প্রোভিন্সতা স্নাইপর অমনা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল বাকুবাগী অৱাং নোংপোক্লোমদা লৈবা মফম অমদা ইন্টলিজেন্স ওফিসর অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি অমসুং সলাহুদ্দিন প্রোভিন্সকী সমারা সিটিগী নোংচুপ থংবদা লৈবা মফম অমদা কার তোংবা মীচম অমা মহাক্কী গাড়ি মনুংদা বোম পোকখায়রকপদগী শিখি। থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা ইস্লামিষ্ট ষ্টেটনা ক্লেম অমত্তা তৌরকপা লৈত্রবসু হায়রিবা মফম অহুম্মক্তুদা গ্রুপ অসি এক্টিভ ওই হায়না লৌনরি।

মতম অমদা ইরাক্কী পাক চাওরবা মফম কয়া খুদুম চনখিবা ইস্লামিক ষ্টেটপু মপুং ফানা মায়থিবা পীরে হায়না বাঘদাদনা কুমজা ২০১৭ গী দিসেম্বরদা লাউথোকখিবা ওইরবসু হার্দ লাইন সুনি মিলিটেন্টশিং অদুনা মতমদুদগী হৌনা মফম কয়াদা লোৎতুনা লৈরগা গুরিলা এটেকশিং তোয়না চথদুনা বাঘদাদ গভর্নমেন্টগী থবক থৌরমশিংদা য়ৈখায় থিনগায়বা পীদুনা লাকখি।

মখোয় ইরাক্কী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈবা হামরিন চীংগী মফম খরদা অমুক হন্না পুনশিলহনখি। মখোয়না ওপরেট তৌরিবদু ইরানগা লোন্নবা বোর্দর লম দিয়ালাদগী নোরদর্ন সলাহুদ্দিন ফাওরগা সাউদর্ন কির্কুক প্রোভিন্স ফাওবনি হায়রি।

## মীওই লিশিং কয়া হরিকেন দোরিয়ন্না মাঙহন-তাকহনখ্রবা বহামাসকী ইথৎশিংদগী চেন্নখ্রে

নাসাও, সেপ্তেম্বর ০৭ (এজেন্সি) :

শাথিরবা হরিকেন দোরিয়ন শীৎচিল্লক্তুনা অমাঙ-অতা কয়া পাক শন্না থোকহনখিবা মতুংদা থেংনগদৌরিবা অৱা-অনা কয়া মায়োক্লরকপা কিবদগী বহামাসকী ইথৎ গ্রেট অবাকোগী মীওই চা কয়া ইরাই নুমিত্তা হি অমসুং প্লেন তোংদুনা চেন্নখিবগা লোয়ননা মীওই লিশিং কয়া অমসু য়ুমথংনরিবা গ্রান্দ বহামা থাদোক্লবা ক্রুজ জহাজ অমদা তোংনবগীদমক্তা পরেং লেংখ্রে হায়রি।



হৌজিক ফাওবগী রেকোর্দতা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবনি হায়না লৌনরিবা হরিকেন অদুনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা বহামাসকী ইথৎশিংদা শাফু কন্না শীৎচিল্লকখিবগা লোয়ননা য়ুমকৈশিং অমসুং উ-ৱাশিং য়াওনা মফম কয়া শীৎ নান্না হুমদৎখি।

শাথিরবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মীশি মীনা মশিং থিঙমদনা থোক্লে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। ৱাশিংটন পোষ্ট অমসুং এন বি সী য়াওনা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙখিবা ন্যুজ মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না পুন্না মীওই ৪০০,০০০ লোম লৈবা লৈবাক অদুদা হৌজিকসু মীওই চা কয়া থিবা খঙদনা লৈরি। অদুবু ওফিসল ওইবা অশিবশিংগী মশিংদি শুপ্পগী ৪৩নি হায়না পীরি।

গ্রান্দ বহামাসদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মীওই ৮ শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌরে অদুগা অবাকো ইথৎতনা মীওই ৩৫ শিরে হায়না বহামাসকী ওফিসলশিং পল্লদুনা ৱাশিংটন পোষ্টনা ফোঙদোকখি। অমাঙ-অতা থোক্লবা মফমশিংদা অহেনবা হকচাংশিং লেপ্তুনা ফংবগা লোয়ননা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হানা থাজনরি।